# ট্রাও এফ সী অমসুং পঞ্জাব এফ সী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে






ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪(ঐচএনএস): ইন্দিয়ন ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টতা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ২০১৯গী সিজনদা হন্দক্তা নৌনা শরুক য়ারক্লিবা ট্রাও এফ সীগী অনীশুবা হোম মেচ ওইনা খুমন লম্পাক মিনি ষ্টেদিয়মদা ঙসি পঞ্জাব এফ সীগা শান্নখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে।

পনবা য়াই, ট্রাও এফ সীনা মেচ ৪ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেচ অহুম মায়থীবা নংখি অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎতুনা টেবলগী মমৈদা লৈরি। অমরোমদা, পঞ্জাব এফ সী মেচ ৫ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেচ ২ মায় পাক্লগা, মেচ ২না দ্রো চৎলগা মেচ অমনা মায়থীবা নংদুনা পুন্না পোইন্ট ৮ ফংদুনা টেবলগী অনীশুবা থাক্তা লৈরিবনি।

ট্রাওগী মায়কৈদগী মায় পাকপা য়াদবা মেচ অমা ওইনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরকখিবনি। অমরোমদা পঞ্জাব এফ সীগী টিমনা মখোয়গী অৱে মেচ ওইরবসু মমাঙদা লৈখিবা মায় পাকপগী রেকোর্দ অদু থম্নবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংনখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা হাফতা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নখিদ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোক্লবা অহেনবা প্রেসর পীদুনা নাকল অনীগী শান্নরোয়শিং শান্নরক্লবসু অপীবা মতম লোইশিনবদা পাঞ্জল চন্নদনা টিম অনীমক পোইন্ট অমমম য়েন্নখি। ঙসিগী মেচ অদুদা ট্রাওগী কোন্সম ফালগুনিনা মেচ ওফ দি মেচ তাখি।

হিরো আই লীগকী শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ ২দা চরচিল ব্রদর্সনা ইষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। অদুগা গোকুলম কেরলা অমদি আইজোল এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।



# এফ সী এ অমসুং আই এফ সী পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস): ওলমণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা এফ সী এ অমসুং আই এফ সী পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে। এস এফ সীনা আইদিয়ল এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখি। পময়ালনা কে ৱাই ভি ওবু পাঞ্জল ২-১দা থোইরগা ই এস য়ুনা আর এ এফ এ বু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা এফ সী এ অমসুং আই সী এ লম্বা তৌনরকপদা শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা আই এফ সীগী মায়কৈদগী টি ঐচ নিতিসনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তানা চথরকপা এটেক্তা টি ঐচ নিতেসনা অমুক্কা হন্না মেচগী ১৭ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা আই এফ সীনা এফ সি এবু ২-০দা মাংজিল থাদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ২ শোথরবা এফ সি এগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা এটেক চথবা হৌরকখি। ৫০শুবা মিনটতা টিম অদুগী লুনমিনথাংনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। এফ সিগী মায়কৈদগী মখা তাবা এটেক অমদা মেচগী ৫৮ শুবা মিনটতা লমখোলেননা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা ২-২দা লৈখি। মখা তাবা মেচকী লোইশিনবগী মতম ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবগী টিম অনী ২-২দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচতা এস এফ সী অমসুং আইদিয়ল এফ সী লম্বা তৌনবদা এস এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা থোইখি।

আইদিয়ল এফ সীগী মায়কৈদগী ৩৯ শুবা মিনটতা নেথেনসিনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। ইকুই কুইদনা এস এফ সীগী মায়কৈদগী মেচ অদুদা ঙানমিনথাংনা শান্নবগী অহানবা হাফ লোইরমদাই ৪১ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর চনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ঙানমিনথাংনা অমুক্কা হন্না শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ৩গী মনুংদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় মনিথোইবনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা আইদিয়ল এফ সীবু ৩-১দা মাংজিল থাখি। মখা তাবা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নখিদবদগী এস এফ সীনা ৩-১দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা মেচতা পময়ালনা কে ৱাই ভি ওগা লম্বা তৌনবদা ২-১দা থোইখি। পময়ালগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি এন রোনাল্ডো (মিনট ৪২) অমসুং ৱাই বোরিস (মিনিট ৪৫)নি। অদুগা কে ৱাই ভি ওগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা এস ধনচন্দ্রনা চনখি।

মরিশুবা মেচতা ই এস য়ু অমসুং রাফা লম্বা তৌনরকপদা ই এস য়ুনা ৪-০দা থোইখি। ই এস য়ুগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি এম দি ৱাজিদ খান (মিনট ৩১, ৩৪) অদুগা এস এস রাজদান (মিনট ১৭) অমসুং এল নাওবা (মিনট ৪৩)নি।

## শান্নরোয় ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪(ঐচএনএস) : কেরলাগী কোজিকোদতা দিসেম্বর ২৭তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৭রক শুবা নেসনল গেমস ওফ দেপতা মণিপুরগী মায়কৈদগী ফুটবোল মশান্নদা রন্নর্স অপ তারকখিবা অমদি জুদো মশান্নদনা এস বোবিচানা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা অদুবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা ওল মণিপুর স্পোর্টিস এসোসিএসন ওফ দেপ এন্দ দমগী মখাদা য়ুথ ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন ককচিংনা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

## লাবন ক্লব শিল্লোং তান্থোকখ্রে, এস এস য়ু শিংজমৈ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪(ঐচএনএস) : অমফাগী একজিক্যুটিব কাউন্সিলনা ঙসি ফমখিবা মীফমদা চথরিবা ৬২শুবা সর চুরাচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সি বি ই মেমোরিএল ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা য়াওখিবা শিল্লোংগী ক্লব অমা ওইরিবা লাবন ক্লবকী টিমদা নন বোনাফাইদ শান্নরোয় য়াওরম্বদগী টুর্নামেন্টতগী তান্থোকখ্রে। মরম অসিনা হয়েং পুং ১.৩০দা খুমন লম্পাক্তা শান্নগদবা অহানবা সেমিফাইনেলদা লাবন ক্লব অমসুং এস এস য়ু শিংজমৈগী মেচ অদু লাবন দিসক্বালিফাই ওইখিবদগী এস এস য়ু শিংজমৈ টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙখ্রে।

## সব জুনিয়র সোফটবোল টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪(ঐচএনএস): ওরিষাগী কটক্তা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র সোফটবোল চেম্পিয়নশিপ (বোইজ এন্দ গলর্স) ২০২০দা শরুক য়াগদবা পোনি বেজবোল অমসুং সোফটবোল এসোসিএসন মণিপুরগী শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং ঙসি ওরিষাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংদি নুপামচাগী কাংলুপ্তা অরবিন্দ হৈখাম, ঐচ ৱাংথোইবা, এল রোসন, টি ঐচ অলবর্ত, কে ঐচ সত্যম, ৱাই মেনিস, পি রেস্লিক, এল তোমথিনঙানবা, ঐচ নিসন, নেলসন মৈত্রম, এ দেনিস, কে ঐচ সিলহেনবা অমসুং কে ঐচ সিদার্থ নি।

শরুক য়ারিবা নুপীমচা শান্নরোয়শিং অদুদি তোম্বীসনা চনু, মন্দা খাঙেম্বম, এল ভেলেন্তিনা, স্বিতি লৈশাংথেম, সুসমা নিংথৌজম, রুবি নিংথৌজম, সাধনা ময়েংবম, টি ঐচ সুসমা, এলিনা য়ুমখাইবম, অঞ্জলি তখেল্লম্বম, থোকচোম ভিক্টোরিয়া, কে ঐচ জেনিফা অমসুং মোইরাংথেম রিসক্যুইননি।

মণিপুরগী টিম অসি লুচিংলিবা ওফিসলশিং অদুদি মেনেজরদা ৱাই সুরজমুখি অমসুং কোচ ওইনা ঐচ অবি অমদি এন লিস্থোইনি।

## মণিপুরনা গোল্ড ১, সিলভর ৩ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪(ঐচএনএস) : ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ৩দগী হৌদুনা চথরিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুর থাঙ-তা টিমনা গোল্ড মেদল ১গা সিলভর মেদল ৩ লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা মণিপুরগী এস মালেমঙানবী চনুনা কিলোগ্রাম ৫৩গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। এস মিলিন্যরিনা কে জি ৩৭তা সিলভর, লিস্থোইনা কে জি ৪৫দা সিলভর লোয়ননা থোকচোম তিনানা কে জি ৪৯দা সিলভর অমগা ফংখি।

## এফ এফ সী সী অঙথা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪(ঐচএনএস) : নুঙব্রম এফ ফীনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ২শুবা লাইরেম্বী কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা এফ এফ সী সী অঙথা মায় পাকখ্রে। টিম অসিনা পিত্রা এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা য়ু এন এম নুঙব্রম অমসুং দি এম-দোট টুলিহল লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১০

১) অঙাং ওইরিঙৈদা ঐগী খুরাগা ফুটবোল শান্নবা চৎপদা ঐগা চৎমিন্নে। মহাক্না ফুটবোল শান্নরিঙৈদা ঐনা ভাবকশিংগী খোঙুপ কাপ থারগা পৈশা তাল্লি। ঐহাক কনানো? ঐসু ফুটবোল শান্নবদা অফাওবা ওইরকখি।

২) মহাক টেষ্ট ক্রিকেটরনি। বেটিং তৌবা মতমদা Right Hand Batsman নি। বোল্লিং তৌবদদি খুৎ ওইনা হুল্লি। মহাক টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবা টিম অমগী কেপ্টেন ওইরম্মী। মহাক্কী মমিং পীয়ু?

৩) China গী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইবী নুপী অমগী ফোটো অদু Sanitary Napkin গী advertise তৌখি। মহাক কনানো?

৪) Songjeelen করম্বা মশান্নগীদমক মমিং চৎলি?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তগী পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারি ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## সী টি আই-এসনা চিংলেম্ববু ওকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪(ঐচএনএস) : ক্রিয়টিব টাইকুন্দো ইন্সটিট্যুট শগোলবন্দ (সী টি আই-এস)না শিন্দুনা নেপালগী পোখারাদা পাঙথোকখিবা ১৩সুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা সিলভর মেদল ফংলকখিবা সোয়াম চিংলেম্ববু হরাউ তয়াম্না ওকখ্রে।

সী টি আই টাইকুন্দো ট্রেনিং হোল শগোলবন্দ লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়দা পাঙথোকখিবা থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা লাংজিং অচৌবা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মোংজম রোমেননা হায়, মালেমগী থাক্তা শানবা মশান খুদিংদা লমদম অসিগী শানরোইশিংনা মায়পাক্তুনা লমদম অসিগী মায় পুরকপা অসি তশেংনা চাওথোকচনিংঙাইনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সী টি আইগী-এসকী ওজা তখেল্লম্বম রাজনা হায় মতম অমদদি শান্নখোৎনবা হায়বসিদা থৱায় ইয়াও য়াওনরমদে অদুবু ঙসিদি মণিপুরদা শানখোৎনবগী লম্দা থৱায় য়াম্না য়াওনরে। ইন্সটিট্যুট অসিদা তম্লিবা শান্নরোই কয়ানা নেসনল লেবেল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শিনবা টাইকুন্দো কম্পিটিসনশিংদা মায়পাকপা কয়া য়াওরকখ্রে। পূন্না সী আই-এসতা হৌজিক-হৌজিক মহৈরোয় ৭০ রোম টাইকুন্দো তম্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ক্রিয়টিব টাইকুন্দো ইন্সটিট্যুটকী প্রসিদেন্ট তাউরেম সুভাসচন্দ্র, আর কে ফোরচুন দিভলবপর প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর আর কে রমেশ্বর অমদি মায়পাকপি মেটরনিটি অমসুং চাইল্ড হোস্পিটালগী চাইল্ড স্পেসিয়লিষ্ট অমদি কন্সলটেন্দ পেদিয়ট্রিসন ডা. লোংজম বসন্তনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা মরুওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।



HL-B/5915/27/12-01/20jan



HL-B/5751/24dec-10jan



HL-P/5803/28-31dec./01-29jan



HL-B/5837/29nov to 27jan

/ EMPLOYMENTS NEWS

- চহী ৩০ দগী ৪৫ ফাওবদা লৈবা Security/Gunman ওইনিংবা Ex-Serviceman গী ওইনা Post ৩ (অহুম) পামজৈ।
- চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা (Height 5'5"+) অমসুং নুপী (Height 5'3"+) গী ওইনা Security/Gunman পামজৈ।
- চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা Car Driver (Unmarried) অনী পামজৈ।
- Brick Mistry, Gr-IV, Tyre Mistry/Helper অমসুং Brick Jugali পামজৈ।
- Iron Mistry ২ (অনী) পামজৈ।

Please contact :-
N.M. Singh
Mobile No. 9383154085
HL-P/5531/12/12-13/01

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com